**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI EVENING NEWS SCRIPT AT 7.30 PM**
**(Date: 30-08-2025)**

**গভনর(এল)ঃ** রাজ্য অসিদা হৌজিক লৈরিবা পেত্রোল, দিজল, এরোপ্লেনগী থাউ অমসুং চাক থোংনবা গ্যাসকী স্তোকশিং রাজ্যপাল-অজয় কুমার ভালানা য়েংশিনখ্রে। নেসনেল হায়ৱে অনিদা তোয়না চিং নিংখায়বা থোকপদগী পোৎ-চৈ পুশিল্লকপদা খুদোংচাদবা কয়া মায়োকবদগী হীরম অসিগী মতাংদা রাজ্যপালনা ঙরাং লম অসিদা থবক তৌরিবা মীওইশিংগা মীফম অমা পাঙথোক্কুনা খন্নখি।

পেত্রোল্লিয়মগী পোৎলমশিং মরাং কায়না লৈহন্নবগীদমক রাজ্যগী কঞ্জুমর এফিয়ার্স ফুদ এন্দ পব্লিক দিষ্ট্রিব্যুসন দিপার্টমেন্টনা রাজ্য পুলিস অমসুং ইন্দিয়ান ওইল কোরপোরেসন লিমিটেদকা খুৎশমরগা পোৎলমশিং অসি অশোয় অঙাম য়াওদনা পুশিল্লকবা হোৎনগদৌরি। মসিগী মনুং চন্না জিরিবামদগী পেত্রোল অমসুং দিজল টেঙ্কর ১৫৮, এরোপ্লেনগী থাউ পুবা টেঙ্কর মঙা অমসুং এল.পি.জি. পুবা টেঙ্কর ২৯ ইম্ফালদা পুশিল্লকবা হোৎনরি। মসিগীদমক পোৎ-চৈ পুগদবা গাড়িশিং ঙসি ইম্ফাল থাদোকখ্রে। জিরিবামদগী নোংম-নিনিগী মনুংদা ইম্ফাল য়ৌরক্কনি হায়রি। রাজ্য অসিগী মীয়ামগী য়েংলগা পেত্রোল্লিয়মগী পোৎলমশিং ৱাৎহন্দনবা রাজ্য সরকারনা হোৎনগনি হায়রি।

**অন্দ্রো (এল)ঃ** রাজ্যপাল-অজয় কুমার ভালা অমদি ফার্ষ্ট লেদি-জোতি ভালা অনিনা ঙসি ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী অন্দ্রোদা চৎতুনা মফম অদুদা লৈরিবা ইনাক খুল্লবা কালা সংস্কৃত্তিগী পোৎলমশিং য়েংখ্রে।

রাজ্যপাল অমসুং ফাষ্ট লেদিনা অন্দ্রোগী পানম নিংথৌ মৈহৌরোলদা চৎতুনা শেংলবা মৈফমদা লাই খুরুমখি। মৈ অদু মৈহৌরোলদগী ঙসি ফাওবদা

মুৎহন্দনা থন্নকপনি হায়বদু মফম অদুদা লাইশঙ শেন্নরিবশিংনা রাজ্যপালদা পাউদমখি। মহাক্কী খোঙচৎ মনুংদা টেম্পল কমিতিনা অন্দ্রোগী খুঞ্জাশিংনা থেংনরিবা খুদোংচাদবা কয়া য়াওবা মেমোরেন্দম অমসু রাজ্যপালদা পীশিনখি।

মফম অদুদা চফু শাবগী থবকশিং য়েংলবা তুংদা রাজ্যপালনা সন্থে নেসনেল পার্কতা চৎতুনা মহৌশাগী ফজবশিং য়েংখি।

**হায়ৱে(এল)ঃ** নেসনেল হায়ৱে-৩৭ ইম্ফাল-জিরিবাম লম্বীগী ফিভম কা হেন্না ফৎত্রে হায়রি। লম্বী অসি দবল লেন্দ ওইহন্নবগী শেম শাবগী থবক কন্না চখরি। অদুম্মকপু, হৌজিকমক্কী ওইনা লোয়শিনবা ঙমদ্রি।

ঐখোয়গী নোনে পাউমী অগুই কামৈনা হায়-নোং চুবনা মরম ওইদুনা লম্বীশিং অসিদা অকুৎ অকুৎপা মফম কয়া লৈবদগী চৎথোক চৎশিনদা খুদোংচাদবা কয়া মায়োকহল্লে। লম্বী অসিগী বরাক থোংদগী নুঙ য়ৌবা শরুক, রেংপাংদগী ইরাং য়ৌবা শরুক, ইরংদগী লুৱাংচুং পার্ট টু য়ৌবা শরুক অমদি অতৈ মফমশিংদা খুউ য়ৌনা পুথবা কোংকুৎ কয়া লৈরে হায়রি। লম্বী অসি খুমাং য়াংনা শেমজিনবা য়ানবা লম্বী শেম্বগী থবক পায়রিবা কম্পানি-এন.ঐচ.আই.দি.সি.এলনা অহেনবা শিন্মীশিং অমদি মেছিন্নরিশিং থাদদুনা য়ারিবমখৈ থুনা শেন্বীনবা মীয়ামনা আপিল তৌরি।

**মোইরাং(এল)ঃ** মোইরাংগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা হাংলিবা রিলিফ কেম্পশিংদা লৈরিবা ইন্টরনেল্লি দিসপ্লেস পার্সন্স (আই.দি.পি) শিংগীদমক সরকারনা থাদরকখিবা শেনফমশিং মোইরাং কেন্দ্রগী এম.এল.এনা পায়রগা শিজিন্নবা নত্তে হায়না কেন্দ্র অসিগী এন.পি.পি. য়ুথ ৱিংনা ফোংদোরক্লি।

সোসিএল মেদিয়াদা থাদোরকপা পোষ্ট অমদা আই.দি.পিগী শেনফম এম.এল.এনা পায়রগা শিজিন্নে হায়বদু এম.এল.এগী মায় খুবা য়াবা ৱাফমনি হায়রি। এন.পি.পিগী য়ুথ ৱিংগী ৱাঙাংলোই অমনা ৱাফম অসি ফোংদোক্লদুনা

হায়-মসিগী চপ চাবা পাউখুম দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসননসু ইদুনা খঙহনখ্রবনি হায়রি।

**থৌবাল(এল)ঃ** রিজার্ব ফোরেষ্ট এরিয়াদা কাংলোন কায়না শাজিল্লম্বশিং তকথোকপগী থবক মখা তানা চথুরি।

ফোরেষ্ট বিভাগনা চথুরকপা খোঙথাং অসিগী শরুক অমা ওইনা ঙসিসু থৌবাল জিলাগী থৌবাল ফোরেষ্ট দিভিজনগী মনুং চন্না লৈবা থ্বরোক রিজার্ব ফোরেষ্ট এরিয়াদা নিয়ম কায়না শাজিল্লম্বা কয়া তকথোকখ্রে। খোঙথাং অসি থৌবাল ফোরেষ্ট দিভিজনগী দি.এফ.ও. ডা: লৈশাংথেম জেসিলিগী মীৎয়েং মখাদা থৌবাল রেঞ্জকী-রেঞ্জ ওফিসার-দিনেস চন্দ্রনা লুচিংবা কাংবুনা চথুখিবনি। হীরম অসিগী মতাংদা দিনেস চন্দ্রনা হায়-মফম অসিদা আইন কায়না শাজিল্লম্বশিং তকথোকপগী থবক অসি ঙসিগা অনিরকশুবা ওইবা চথুবনি। ঙসিগী ইভিক্সন অসিদা লাংমৈথেৎকী এরিয়াদা শাজিল্লম্বা বিল্ডিং অনি অমদি বরমি কম্পোজকী ষ্ট্রকচর অমগা থুগায়খি। মখা তানা অসিগুম্বা লম-তু তকথোকপগী থবক মখা তানা চথুখিগনি হায়রি।

**রাজ মেদিসিতি (এল)ঃ** রাজ্যগী হেলথ এন্দ ফেমিলি ৱেলফিয়ারগী স্পিসিএল সেক্রেটরি-সলাম সোমোরজিৎনা হায়রি-মনিপুর মচাশিংগী নর্স ওইবগী হৈথোই শিংথোইবা কয়া অদু য়েংলগা মপানগী হোস্পিতাল কয়ানা মখোয়বু পামবা হেনগৎলক্লি।

ৱাফম অসি ঙসি ইম্ফালগী নোর্থ এ.ও.সিদা লৈবা রাজ মেদিসিতিগী নর্সিং কলেজ হাংদোকপগী থৌরমদা ফোংদোকখিবনি। শ্রী সোমোরজিৎনা হায়-মপান লমগী হোস্পিতালশিংদা মনিপুরগী নর্সশিংবু পামবা হেনগৎলক্লিবা অসিমক লমদম অসিগী ওইনা চাউথোকচনিংঙাইনি। মহাকা হায়-হৌজিক হোংলক্লিবা মালেমগী চাউখৎ লমজেল অসিদা নর্সকী শিনফম অসি য়ামা মরু ওইরক্লে। মতম

অমদা লৈবাক অসিদা নর্স তম্বগী চাং অসি কেরলানা মকোক্তা লৈরম্বনি। অদুবু, হৌজিক্তি মনিপুর মচানা মহুৎ শিনদুনা হোস্পিতাল খুদিংমক মনিপুর মচা অদুক্কী মতিক লৈরে।

থৌরম অদুদা হেলথ সার্ভির্সেসকী দাইরেক্তর-ডা: চমবৌ গোনমৈ, রাজ মেদিসিতিগী মেনেজিং দাইরেক্তর-হাউবিজম রাজেন অমদি মনিপুর নর্সিং কাউন্সিলগী রেজিস্ত্রার-ডা: অরিবম জমুনা দেবী শরুক য়াখি।

**পিয়ুসিএল (এল)ঃ** পিপলস য়ুনিয়ন ফোর সিভিল লিভরটিজ (পি.য়ু.সি.এল) না পুথোকপা রিপোর্ট অসিগী মতাংদা ঙসি কোওর্দিনেটিং কমিতি ওন মনিপুর ইন্টগ্রিটি (কোকোমি) না শিনদুনা মীয়ামগী ওহবা মীফম অমা পাঙথোকখ্রে।

হোটেল ইম্ফালদা পাঙথোকখিবা মীফম অদুদা আই.জি.এন.টি.য়ুগী এসোসিয়েট প্রোফেসার-ডা: হোমেন থাংজম, দি.এম. য়ুগী এসোসিয়েট প্রোফেসার-ডা: মালেম নিংথৌজা, দি.এম.য়ুগী এসোসিয়েসন প্রোফেসার-ডা: নোনি এলাংবম, ইমপেক্ট টি.ভিগী চীফ এদিটর-য়ুমাম রুপচন্দ্র অমদি ফ্রন্টিয়ার মনিপুরগী ইগজিক্যুটিব এদিটর-শদোকপম ধিরেননা ৱাঙাংলোই ওইনা শরুক য়াখি।

ঙসিগী মীফম অদুনা পি.য়ু.সি.এলগী রিপোর্ট অসিবু থেংননবা কোকোমিগী মীৎয়েং মখাদা ৱার্কিং গ্রুপ অমা শেমদুনা কমিতি অমা শেম্বা অমদি পি.য়ু.সি.এল. মেম্বরশিংগী মথক্তা তোঙান তোঙানবা সেক্সন কয়া পান্দুনা এফ.আই.আর. চনবা হায়বনচিংবা ৱারেপ কয়া লৌখি।

অমরেমাদা, পি.য়ু.সি.এলনা মনিপুরগী ইরাংগী মতাংদা পুথোকখিবা রিপোর্ট অদু মীয়ামদা লান্না উহনবতা নত্তনা নাকল অমখক্তগী ওইবা ৱাফমনি হায়না মরাল শিরদুনা ঙসি পি.য়ু.সি.এলগী রিপোর্ট অদুবু ইমাগী মৈরাগী কাংবুনা মৈ থাদুনা খোঙজং চংশিনখ্রে।

ইম্ফালগী তেরা বজারদা চথখিবা খোঙজং অদুদা শরুক য়াখিবী ইমাগী

মৈরাগী কাংবুনা হায়-পি.য়ু.সি.এলগী রিপোর্ট অসি মতিক চাদবা রিপোর্ট অমনি। হৌখিবা চহি ২০২৩ গী মে অহুমদগী হৌরকখিবা ইরাং অসিবু মে মরিদগী হৌবগী মওংদা ৱারী লীরকপা অসিনা রিপোর্ট অসি অরানবা য়ুম্ফম য়াওদবা রিপোর্টনি হায়বদু তাক্লে। রিপোর্ট অসি অরানবনা থল্লবসু অচুম্বা খরদি য়াওরি। অদুমওইনমক, অরানবনা হেনবনা মরম ওইরগা মীয়ামদা লান্না ডহনবগী মচাক অমা ওইরে। মরম অদুনা রিপোর্ট অসি অমুক হন্না থিজিনদুনা নৌনা ফোংনবসু লুপ অসিনা আপিল তৌরি।

**নিরুপামা (এল)ঃ** মিস য়ুনিভরস ইন্দিয়াগী ফোর্দ রন্নর অপ-তারকখ্রবী-সরাংথেম নিরুপামা ঙসি ইম্ফালদা য়ৌরকখ্রে।

মহাকা হেক য়ৌরকপগা ইম্ফাল ইন্টরনেসনেল ইয়ারপোর্টতা মীয়ামনা হরাউ তয়ামা ওকখি। পাউমীশিংদা ৱা ঙাংবদা নিরুপামানা হায়-মহাকা লৌরক্লিবা ক্রাউন্দ অসি মহাক্কী নত্তে, মনিপুর মীয়ামগীনি। হন্দক্কী চাংদমবা অসিদা মনিপুর মীয়ামনা উৎখিবা মীনুংশি অসি চাংদমিংঙাই লৈতে। মখা তানা মনিপুরগী মিংচৎ কয়া পুরকবগীদমক লেপ্পা লৈতনা হোৎনখিগনি।

**এৱারনেস (এল)ঃ** ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাগী দিষ্ট্রিক্ট টি.বি. সেলনা ষ্টেট টি.বি. য়ুনিট অমসুং ত্রাফিক কন্ত্রোল ৱিংগা খুৎশমরগা টি.বিগী মতাংদা নীংথিনা খঙহনবগী নোংমগী ওইবা লেকচর প্রোগ্রাম অমা ইম্ফালগী ধরমশালাদা ঙসি পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা ত্রাফিক কন্ত্রোল ৱিংগী মীওই ৩৪ না শরুক য়াখি।

**ব্লড (এল)ঃ** বিষ্ণুপুর জিলাগী নম্বোল কৈথেলদা মেগা ব্লড দোনেসন কেম্প কম এৱারনেস প্রোগ্রাম অমা পাঙথোকখ্রে। দিভলপমেন্ট এন্দ প্রোটেক্সন য়ুনাইতেদ ভোলুন্তরি ওর্গনাইজেসন নম্বোলগী ৩০ শুবা ফাউন্দেসন ডে থৌরমগা মরী লৈননা ঈ দান তৌবগী কেম্প অসি পাঙথোকপনি। কেম্প

অসিদা মীওই ১০০ রোমা ঈ দান তৌখি।

থৌরম অসি রিমস ইম্ফালগী দিপার্টমেন্ট ওফ ত্রান্সফ্যুজন মেদিসিন, নেসনেল হেলথ মিসন, এস.বি.টি.সি, সয়াতপ ফাউন্দেসন অমসুং মেক্সকা খুৎশমদুনা শিনবনি।

**ডে (এল)ঃ** নেসনেল ইন্টিগ্রেসন পিছ এন্দ হারমোনি পালন থৌরমগী মনুং চন্না উ থাবা অমসুং লাই য়েকপা চাংদমবগী থৌরম অমা পোরোম্পাৎ পুলিস ষ্টেসন অমসুং জেম পাব্লিক স্কুল-পৌরাবী অনিনা পুন্না শিনদুনা স্কুল অসিদা ঙসি পাঙথোকখ্রে।

মহৈরোই ৮০ মুকা শরুক য়াদুনা পাঙথোকখিবা লাই য়েকপা চাংদমবগী মকোক মথং তারবা মহৈরোইশিংদা মনা-মথুমসু য়েন্থোকখি।

**য়ুনিয়ন (এল)ঃ** ওল মনিপুর মুস্লিম গালর্স ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়নগী ১৭ শুবা কুমওন থৌরম ঙসি পাঙথোকখ্রে। থৌরম অসিগা মরী লৈননা মনিপুরগী পাউমী অহুমদা সার্টিফিকেট ওফ এপ্রিসিয়েসন পীদুনা ইকায় খুমবা উৎখ্রে। পাউমীশিং অদুদি- কে. সরোজ কুমার শর্ম্মা, ব্রোজেন্দ্র নিংঙোম্বা অমসুং কৈসাম য়াইফবনি।

**মনকিবাটঃ** প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিগী পুকিংগী ৱা, মনকি বাটকী ১২৫ শুবা ইপিসোদ হয়েং অয়ুক পুং ১১ দা অকাশবানিগী থোঙদা শন্দোক্কনি।

থৌরম অসি এ.আই.আর ন্যুজ, দি.দি. ন্যুজ, পি.এম.ও. অমসুং ইনর্ফোমেসন এন্দ ব্রোদকাষ্টিং মন্ত্রালয়গী য়ু-ট্যুব চেন্নেলশিংদসু লাইফ ষ্ট্রিমিং তৌগনি। এল.আর.এস চুরাচান্দপুরদসু থৌরম অসি শন্দোক্কনি। মসিগী মণিপুরী ৱাহন্থোক প্রধান মন্ত্রিনা ৱা ঙাংবা হেক লোইবগা অকাশবানি ইম্ফালনা শন্দোক্কনি। মসি নুমিৎ অসিমক্কী নুমিদাং পুং ৮ দসু অমুক হন্না শন্দোক্কনি। দাইলেক লোলশিংদনা মথংগী নুমিৎতা শন্দোক্কনি।

**পিএমঃ** প্রধান মন্ত্রি-নরেন্দ্র মোদি, সংহাই কোওপরেসন ওর্গনাইজেসনগী ২৫ শুবা মীফম য়াওনবগীদমক চাইনাগী তিয়াংজিনদা  ঙসি থুংখ্রে। মীফম অসি হয়েংদগী হৌগনি।

মীফম অসিদা মালেমগী তোঙান তোঙানবা লুচিংবা কয়াগা লোয়ননা প্রধান মন্ত্রিনা শরুক য়াগনি অমদি ৱা ঙাংগনি। প্রধান মন্ত্রিনা তোঙান তোঙানবা হীরমশিং-রিজনেল সেক্যুরিতি, কন্নেক্তিভিতি, সসটেনেবল দিবলপমেন্ট অমদি মালেমগী লৈবাকশিংগী মরক্তা তেংবাং পীনবগী মতাংদা ৱাফমশিং ফোংদোক্কনি। মীফম অসিদা ওর্গনাইজেসননা চহি ২৫ দা পাঙথোকখিবা থবক থৌরমশিং অমসুং লাক্কদৌরিবা চহি তরাদা পাঙথোক্কদবা থবক থৌরমশিংগী মতাংদসু নীংথিনা খন্নগনি।

সংহাই কোওপরেসন ওর্গনাইজেসনগী মীফম অসি চাইনাগী রাস্ত্রপতি-সি.জিন পিংগা সভাপতি ওইদুনা পাঙথোকপা হন্দক্কী অসিগা থারগা মঙারকশুবনি। মীফম অসিদা মালেমগী তোঙান তোঙানবা লুচিংবা কয়ামরুম শরুক য়াগনি। লুচিংবশিংগী মনুংদা প্রধান মন্ত্রি-নরেন্দ্র মোদি অমসুং রাসিয়াগী রাস্ত্রপতি-ৱ্লাদিমির পুতিন য়াওরি।

**অশ্বিনিঃ** কেন্দ্রগী ইলেক্ত্রোনিক্স অমসুং ইনর্ফোমেসন টেকোলোজি মন্ত্রি-অশ্বিনি বৈসনোনা লৈবাক অসিগী অহানবা টেম্পর গ্লাস মেন্যুফেকচরিং প্লান্ট, ওপটিমস ইনফ্রাকোম লিমিটেদ ঙসি নোইদা শঙ্গাখ্রে।

প্লান্ট অসিনা ইলেক্ত্রোনিক্কী পোৎচৈশিং পুথোকপদা হেন্না মাংজিল থাবা লমদম অমা ওইহনবা ঙম্লগনি। মসিনা লৈবাক অসিবু মেক ইন ইন্দিয়াগী থৌরাংদা হেন্না মপাঙ্গল কলহল্লগনি। শ্রী বৈসনোনা হায়-ভারতনা ইলেক্ত্রোনিক্কী পোৎলমশিং পুথোকপদা শিংথানিংঙাই ওইনা চহি খরা অসিদা মাংজিল থাদুনা লাক্লি। মহাকা হায়-থৌরাং অসিনা ভারতকী ইকো-সিষ্টেমগী ফিভম ফগৎহনবা ঙমলে।

মন্ত্রিনা হায়-ভারত্তা ইলেক্ত্রোনিক্কী পোৎলমশিং পুথোকপগী চাং অসি চাউনা হেনগৎলক্লি। মসিনা মরম ওইদুনা মোবাইল, লেপটোপ অমদি অতৈ খুৎশু খুৎলায়শিং শানবা পোৎলমশিংসু লৈবাক অসিদা মরোদোম শাজবা ঙমলে।

**ঈচাউঃ** জম্মু কাশ্মিরগী রিয়াসি জিলাদা ঙসিসু নোংনা মরম ওইদুনা লৈবাক কিন্থরকপদগী ইমুং অমগী মীওই তরেৎ লৈখিদ্রে।

পুলিস, ষ্টেট দিজাস্তর রেস্পোন্স ফোর্স অমসুং লোকেল এদমিনিষ্ট্রেসননা মী কনবা অমসুং তেংবাং পীবগী থবক চত্থরি। লৈবাকনা ননশিন্দুনা লৈখিদ্রবা হকচাং তরেৎমক ফংবা ঙমখ্রে। নোং চুরিঙৈ মতমদা চিংখোঙ চিংয়াদা লৈরিবা ইমুং মনুংশিংনা চেকশিন্না লৈনবা সরকারনা খঙহনখ্রে।

অমরোমদা, জম্মু কাশ্মিরগী রমবান জিলাদা বজ্র তাবনা মরম ওইদুনা শিখিবা মীগী মশিং মরি শুরে। হৌজিক মীওই অমা থিবা খঙদ্রি। শিরবা মীওই মরি অদুগী হকচাং রেস্ক্যু টিমনা ফংবা ঙমখ্রে। থিবা খঙদনা লৈরিবা মীওই অদু ফংননবা অকনবা থবক চত্থরি।

**ফুটবোল (এল)ঃ** মনিপুর অমসুং ছরখন্দ, সব-জনিয়ার গালর্স নেসনেল ফুটবোল চেম্পিয়নসিপ ২০২৫-২৬ কী ফাইনেল অসামগী জোরহার্টতা শান্নরি।

টুর্নামেন্ট অসি ওল ইন্দিয়া ফুটবোল ফেদরেসন অমদি অসাম ফুটবোল এসোসিয়েসননা শিনবনি।

**স্পোর্ট (এল)ঃ** নেসনেল স্পোর্টস ডেগী শরুক অমা ওইনা মনিপুর য়ুনিভরসিতিদা ঙসি পাঙথোকখিবা হাফ মরাথোনদা নুপাগী কাংলুপ্তা পাওরিময়িবী পামেনা অহানবা অমদি নুপীগী কাংলুপ্তুনা ইরোম বিজায়া দেবীনা অহানবা মনা ফংলে। মকোক মথং তারবা মীওইশিংদা মনা-মথুম পীদুনা ইকায় খুমখ্রে হায়রি। মরাথোন অদু য়ুনিভরসিতি অসিগী ভাইস চাঞ্চেল্লর-প্রোফেসার

এন. লোকেন্দ্রনা লমথাখি।

থৌরম অসিগী হয়েং অরোইবা নুমিৎতা সাইকল ওন সন্দেগী রেল্লি অমসু পাঙথোক্কনি। রেল্লি অসি মনিপুর য়ুনিভরসিতি কেম্পসতগী হৌরগা কংলাগী সনাথোং ফাওবা লাক্কনি। মসিগী তুংদা, য়ুনিভরসিতি তমা অমুক লাক্কনি।

থৌরম অসি কেন্দ্রগী য়ুথ এফিয়ার্স অমসুং স্পোর্টস মন্ত্রালয় অমসুং হ্য়ার এদুকেসন মন্ত্রালয়গী মখাদা পাঙথোকপনি।

**বাস্কেটবোল (এল)ঃ** ওল ইন্দিয়া মেন্স ওপন বাস্কেটবোল টুর্নামেন্ট-২০২৫ ঙসি রাজ্য সভাগী এম.পি. লৈশেম্বা সনাজাউবনা হৌদোকখ্রে।

টুর্নামেন্ট অসি মথং থাগী তরুক ফাওবা পাঙথোক্কনি।

**চান্দেল (এল)ঃ** থার্দ প্রিমিয়র লিগ অমদি ১৮ শুবা মনিপুর ষ্টেট লিগ-২০২৫-২৬ গী কম্পিটিসন মেনেজমেন্ট সিষ্টেম (সি.এম.এস) দা রেজিস্তার তৌবগী মতম শাংদোক্লে।

ওল মনিপ্র ফুটবোল এসোসিয়েসন (অম্ফা) না থোকপা চেরোল অমদা হায়-অহুমশুবা প্রিমিয়র লিগকী ওইনা মথং থাগী অহানবা চয়োল ফাওবা শাংদোক্লে অদুগা ১৮ শুবা মনিপুর ষ্টেট লিগকী ওইনা মথং থাগী অনিশুবা চয়োল ফাওবা শাংদোক্লে হায়রি।

**ফুটবোল (এল)ঃ** দিষ্ট্রিক্ট স্পোর্টস এসোসিয়েসন-চান্দেলনা শিনদুনা ঙসি দি.সি. চান্দেল ত্রোফি ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০২৫ হৌদোকখ্রে।

ঙসি অহৌবা নুমিৎকী শান্নবদা খোঙজোন ৱাই.সিনা চান্দেল খুলেন ৱাই.সিবু পাঞ্জল ১-০ দা মায়থিবা পীখি।